# কবি সমরেন্দ্রনা লৈখিদবদা

**এস ভানুমতী**

**নুংশিজরবা,** লৈবাক্লা শকখঙনরবা ওজা ইবুংঙো লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদ্রবদা মতম কুইরবা, হৌখিবা পুন্সিগী চেনা কয়া মথং-মথং মরন্নাই হাংদোকচরক্লি। তম্ফাম্না গার্লস হায়স্কুলগী ক্লাস সেভেন্দগী আইট ফাওবদা ওজানা জিওগ্রাফি তম্বীখি। ওজাদি ইচম চম্মী, মোং হাদে। খোঞ্জেল নেম্না ঙাঙঙি। নোংমতা হো-হো তৌবা, ফিংগৎপা হায়বদু লৈতে। চহী শাংনা লিশাং শিৎনা লোয়নরকপসিদা শাউবসু অমুক্তা উরক্তে। য়াম্না ঈংনতা চৎলি, ঈংনতা ঙাঙঙি। য়েংলকপসু ঈংনতা অদুম য়েংলকই। ওজাগী মায়থোঙদা করিগুম্বদা অশুকপা, হৈনীংদবা হায়বদু থেংনখিদ্রি। অঙকপা মীশক্লি ঐখোয়গী নুংশিজরবা ওজাসে। অঙাং ওইরিঙৈ ক্লাসকী মহৈরোয়শিংনা লাঙবা য়াওরক্লবসু কন্না অমুক্তা চৈদে-তাক্লন্লিবা পারাদু ঙাইহাক্তং লেপ্পগা নোকফেৎ তৌরগা খূৎ য়েৎতু ৱাংনা থাঙ্গৎলগা 'হাই-হাই...' হায়না লাউই অদুগা মখা অমুক পারা তাকপা হৌই।

ওজাসি ঈশৈ চুম্না পাম্বতা নত্তে, নৈনবা অমসু য়াওই। লোল পূম্বগী ঈশৈ শকই। কবুইগী, মাও-তাঙ্খুলনচিংবা অতৈগীসু ফজনা শকপা ঙম্মী। বেঙ্গলী, হিন্দী, সংস্কৃতনচিংবসু ফজনা খঙঙি। অতাঙবা মীশক অমনি। স্কুল হাফ থাবগী মতমসি বেরেন্দাগা তাইনবা ওজাশিংগী ষ্টাফ রুমদুগী থোঙজিল মপান্দা নিতিগী গ্রাম্মফোন্দা ঈশৈ তত্তনা অদুম থাই ওজানা। ঐসু অঙাং ওইরিঙৈদগী ফিল্ম ঈশৈ পামজরকপনা ষ্টাফ রুম মমাঙদা চৎপদা চৎন-চৎনা ঈশৈ তানবা হোৎনৈ। ঐনা নীংশিংবদা ঐখোয়গী ওজানা য়াম্না তোয়না তাগনবা ঈশৈসি *প্যাসা* ফিল্মগী হেমন্তকুমারনা শকপা - *'জানে ও কৈসে/লোগথে জিনকে/প্যারসে প্যারমিলা'* হায়না শৈহৌবা ঈশৈসিনি। ওজা খরনা ছত্রং শানৈ, ওজাদি চা থক্লা-থক্লা ঈশৈ তাদুনা লৈ। করিগুম্বদসু লাইব্রেরিগী কাদা ফম্লগা ঐখোয়না টেবল টেনিস শান্নরিবদু য়েংলম্বদগী হৌগৎলক্তুনা শান্নমিন্নে। কাউবা ঙমদবা অমদি ওজানা দ্রোপ ফুরমদাইদা ওজাগী পাম্বোম অনীমক ফন্দোক্লগা বেত্তু ৱাংনা থাঙ্গৎলগা য়ৈগনি। ওইনানসু ফজনা শান্নবা হৈ। নোকফেৎ-নোকফেৎ তৌদুনতা লৈবা ওজাদো ঙসিসু উদুনতা লৈরি। নোংমসু ঐনা লাইব্রেরি কাদুদা লাইরিক পাদুনা লৈরিঙৈদা লাইব্রেরিগী উপু পরেংদুগী ৱাংমরোমদগী ওজানা মহৈরোয় অমখক ঈশৈ শকহল্লকখি। মদু তাবদা ঐ পুমঙাউ ঙাওখি ফজমনখিদুনা। মদুদা শক্লকপা ঈশৈদু লতানা শকপনি, ফিল্মনা *নাগিন*গীনি- *'সুনরি সখী মোরে/সজনা বুলায়ে মোহে/জানা হৈ পিকে নজরিয়া হো'*...। নুমিৎতুগী ঈশৈদু ফজমনখিদুনা ইমান্নবীদা কোয়হং হংবদগী খঙলে, মহাক্কী মমিং কমলা কৌই। মহাক অদো ঙসি মীয়াম্না শকখঙনরিবী শৈশকপী, 'সঙ্গিৎ রত্ন' ফংখ্রবী অয়েকপম কমলা হায়বী অসিনি। অসুম্না ওজানা ঈশৈদা য়াম্না খোয়দাজৈ হায়বা খঙজখি।

ওজা সমরেন্দ্র মায়থোঙ য়াম্বা, গুন কয়ানা লৈতেংলবা মীশকনি। ওজানা খঙদবা, হৈতবা করিবু লৈরিবগে? লাই য়েকপগী কলাদসু ফজনা মপূং ফানা জ্ঞান লৈবা মীশক অমনি হায়বসি খঙজখিবদি কম্পিটিসন কয়াদা ওজানা য়াম্না লায়বা মান্না খোৎপিখিবা খূৎয়েক - অমুক্তং চিংবদা মশক হেক্তা থোকহনবা ঙম্বগী গুনদুদা ঙক্লদবা কনা লৈখিদে। তশেং তশেংবা আর্টিশ অমনি ওজাদি। অদুবু মতমদুগী মীওইশিংদা মশাবু মশানা শক্তাকচনবা ৱাখল লৈনরমদবগুম তৌই, য়াম্না চম্না হিংনৈ। হৌজিক্তি মশাবু তাকচনবা, অফবনি হায়বা উৎনবা হোৎনবমক্তদা, মিংচৎ চবুল-চবুল লৈনবা হোৎনবদা শেল কয়া, মী কয়াগী পাম্বে থিবদা মতম কয়া থাদনরি। কয়াদা খেন্নখ্রবা মতমদো! কয়াদা নীংঙমখিদ্রবা! টেলেন্টশিংদো ওজাদা য়াওরিবা, মফম-মফম চানা, মতম চানা-চানা খঙবিনবগী মফম লৈতনা মাঙখিবগা চপ মান্নেদো। ওজানা থম্বীরম্বা পিকচরনি, ওজানা চিংবিরম্বা/য়েকপীরম্বশিং ইখূৎতা লৈজরম্বদু মতম-মতমগী অহোংবগা ইয়েৎ-য়েৎশিন্নখিবনা ঙসি তাঞ্জা চারবা মতাঙসিদা মীয়ামদা উৎচবা ঙমদবনা থোইনা অৱাবা অমা হাপচিনবগুম তৌরে ইশামক্তা।

মতম অদুদা ওজা ইবুংঙো সমরেন্দ্র ঐবু পোকপা ইপা ইবুংঙো নদীয়াগা লোয়নবা হৌরে অদুগা লোয়ননা মিংলেন খরদং পঞ্জরবদা খুমন্থেম প্রকাস, এলাংবম সোনামনি, নীলবীর শর্ম্মা শাস্ত্রী, গোকুলানন্দ শর্ম্মা, নিংথৌখোংজম ওজা তোম্বী (এক্স এম পি), এলাংবম নীলকান্ট, এলাংবম রজনীকান্ত, অকোয়জম ইবোহল, য়েংখোম জোটিন্দ্র, নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন, সনসম শরত, আর কে মনিসনানি। ঐবু পোকপা নদীয়া সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা 'চাকতিন মরূপ' হায়না মিংথোন্দুনা লিংখৎখি। চাকতিন মরূপকী পান্দমদি পুন্সিরোল অমা শাগৎপনি। পুন্সিসি য়াম্না নুংঙাইথোক্লা হিংনবগী পান্দমনি হায়বা য়াই। থা/থাগী লোটরিদা তারুবা মেম্বরগী য়ূমদা চাকচা-হৈজানবগী ৱানি। মদুসু য়ূমগী য়ূম্বুরেম্বী খুদিংসু য়াওগদবনি। নীয়ম অমনা, চাক চাবতা নত্তে, চাবা থকপা লোইরগা মানা-মানা হৈজবা ঈশৈ শক্লবগী থৌরমসু য়াওরি। পঞ্জনীংঙি নুংশি-নুংশিবা ৱারী। নোংমদি পাবুংনা ইমাদা হায়খি 'পিশক! হয়েং চাকতিন মরুপ্তা শক্কদবদু অমুক্তং ঔরাইয়ুদনা- ইমানা হায়রকই 'মাই পাবুং ঐদি চৎলরোইদা অহল ইওই হেক ওইরদুনা ইকায়দা-' ইমাগী ৱা তাবদা পাবুংনা তোংজৈদু কন্না চিংলগা হায়রকই - "হেরা পিশক! মসি পুন্সিরোলনিনে নঙ য়ূমদতা শুম ৱাদুনা লৈগদ্রো, ঙাইহাকসু ময়াম মরক তিন্দুনা নুংঙাইথোকপা তমগদবনিনে।' পাবুংগী শকফম হঞ্জিন্দুনা ঙাওবদুদা হঙ্গৎলগা খুন্বা ঙমদে। ইমানা তপ্না হায়খি 'ইস! করি ঈশৈনোনে শক্কদৌরিনা?' ঙহাক খল্লগা পাবুংনা হায় 'নট শকও নট শকও- নহাশিংদি শক্লিংবা শকসনো।' ইমাদো উপায় লৈত্রে খল্লমাল্লে অমুক্তং খৌদেল্লগা শক্লকই, "নবঘন জিনি অঙ্গে/তাহে নব গুঞ্জাবেরহা...।' নিতরাসকী কৃষ্ণ অভিসারনি। পাবুংনা নোক্ল-নোক্লগা 'য়ারে-য়ারে অদু ঙাইদনা'। কয়াদা নুংশাংখরবা মতমগী থৌদোকনো ওজানা ইমাঙদা উহনবীরিবা।

হায়রিবা চাকতিন মরূপসিগী চেবাউদি মানা-মানা পান্থা মওংদা পীনৈ। পাবুংদি শৈরেংনা ইরগা পী। ওজা সমরেন্দ্রগীদি চেবাউদুদা দণ্ডবৎ তৌনা ওজানা খুরুম্বগী শক্তম য়েকচৈ। মদু পূম্বদুনি উৎচনীংবদা ফংদ্রিবসে। অহলসিনা অয়েকপা পূম্বা ঐখোয়দা থম্মী। চাকতিন মরূপসিগী থৱায় হাপ্লিবদি ওজা ইবুঙো সমরেন্দ্রনি মরমদি মেম্বর পূম্বগী শক্তমশিং অমদি মাগী-মাগী তোঙানবা ফিরেপ, ফীভমনচিংবদু চপ হেক্তা মান্ননা য়েকপা ঙম্বা ওজা ইবুঙোনি। অথাবা অপাকপা চে অমদা অমত্তা চীৎথদনা য়েক্লিবনি। ওন্থোক্লা অর্থ লৈনা য়েকপা হৈখ্রবা ওজাগী কলাবু মীয়ামদা উৎচবা ঙমদবা ঐগী লাইবক থীরবনি। পিকচর মরক্তুদা নুঙাইরিবদি চাকতিন মরূপকী মেম্বর মরক্তা ইকায়খুম্নজরবা অজ্ঞা নন্দলাল শর্ম্মাগা য়েংখোমগী তামো জোতিন্দ্রগা মরৈ য়াম্না য়েৎনগল্লি হায়। অদুনা পিকচর মরক্তুদা মবান্নিগী নম্নবগী ময়েক শেংলবা লাইয়েক্তু মী পূম্বা ঙক্লা য়েংনখিবনি। তশেংনা হায়রবদা চাকতিন মরূপকী মেম্বর পূম্বা তিন্নবদা নোক্তবা মায়থোং অমত্তসু য়াওদে। নুংঙাইবা ৱারী ঙাক্তনি।

নোংমদি আর কে মনিনা চাকতিন মরূপকী লোইরকপদা ঈশৈ শকপগী থৌদাংদা ঈশৈ অমত্তসু ফাদ্রে হায়রম্মগা 'জন-গন-মন' হেক্তা শক্লকপদা মেম্বর খুদিংমক লোইনা লেপখৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎলম্মী হায়না তাজখি। অদুগা য়ূম য়ূমদতা চাবা নত্তনা মপান্দসু হায়বদি পিকনিক ওইনা ফজ-ফজবা মফমদসু চৎপা য়াওরিবনি।

ওজানা মশাদা য়াওরিবা লৈজরিবা কলাশিংগী মগুনদুনা ফোঙদোক্লিংবগী অকনবা অনীংবা অমা লাকখিবসি এম দি য়ুদা শীনখিবা ওজাবুসু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমদুনি। ওজাগী পূক্লিংগী ইফুৎ লেপ্পা নাইখিদবগুম থোকখি, পূক্লিংদসু কন্না ফাওখি। বাঙ্গলাগী ঈশৈশিং লেপ্পা লৈতনা শক্লিংবগী অমদি কবিতাশিং পানীংবগী মওং অমা উবা ফংখি। নুমিৎ অসিদা ওজাদা লোৎতুনা লৈরিবা কল্লবা কলাগী শাফু অমা ফাওরকপগুম উজখি, থম্মোয়দসু ফাওজখি। হৈনীংবনা পীকথল্লবা ওজাগী মতৌ, লোল কয়াগী শৈরেং, ঈশৈ লেপ্তবা ঈফুৎকুম শক্লিংখিবা, ফোঙদোক্লিংখিবা কাউবা শুকঙম ঙমগদবা মান্দে। নুমিৎতুনা শাক্ষিনি, নুমিৎতুনসু ওজানা মীয়াম মমাঙদা পূক্লিংগী বিকার উৎপা অরোইবনি। অদুবু ওজাগী হকচাংগী ফীভমনা য়াখিদবনা থম্মোয়গী ঈফুৎ লেপ্তু-লেপ্তু হুইল চ্যেরদু ইন্থোকপীখি। নুমিৎতো করিনো হায়ফম খঙদ্রবা অৱাবা অমনা পোত্থাবা য়াহনখিদে।

অইবা অমা ওইনা, তাইবং মী অমা ওইনা, ওজানা মী অমত্তদা অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নবা, মী অমতগী মবুক নাহনবা অমুক্তসু থেংনখিদ্রি। মী অমগী অশোয়বদু অদুম ফোঙদোক্কনি অদুবু মীদুগী থম্মোয় শোকপদি কৈদৌঙৈদসু তৌখিদে। মরী লৈননা পঞ্জনীংঙি, ওজাগী শৈরেং - 'ইম্ফালদা মালেমগী অরোইবা নুমিৎতা' হায়বা অসিদা ইবিরম্বা ঐখোয় নীংশিংবা য়াই-

*"অপঙবনা পঙজৈ/ইকায়থীবনা থীজৈ লায়রজৈ*
*অচেনবনা চেল্লি/সহরগী মৈখু থাদোক্তুনা*
*চেন্দবনা চেন্দে/লৌবা তোক্তে পেনবা নাইদে*
*চহী তরেৎ খুন্তাকপদা চেন্দে/জাপানগী রোম মরক্তা চেন্দে*
*মালেমগী অরোইবা নুমিৎতা চেন্দে।"*

পূম্নমক অসি কবিগী কল্পনা নত্তে, চপ হেক চাবা লৌজনামগী মীয়াম্না তৌরিবা চৎনবীগী মওংদুনি। অদুগা অমুকসু সংস্কৃত লোলগী ফজবা মশক তাকপা ওইনা ওজানা শৈরেং অসিদা জগৎপু শেন্বীবা কনবীবা ঙন্বী শক্তিগী মশক ওইরবী শক্লোন লিশীং লৌরিবী দেবীদা খুরুমজৈ-

*'য়া দেবী সর্ব্বভুতেষু/শান্তি রূপেন সংস্থিতা।*
*নমস্তসৈ নমস্তসৈ/নমস্তসৈ নমঃ নমঃ॥*

মীনম ছোরিদা পূক্লিং চঙশিল্লক্লিবা মীওই কয়া উরকপদা মাঙথরক্লবা মালেম্বু মরা তপ্না থম্বীনবা শক্লোন য়াম্বী দেবীগী মফমদা অইংবা শান্তি লৈবা লৈবাক ওইনা থম্বীনবা হায়জবনি।

লৈবাক ঈরাং থোক্লকপা খুদিংগী শেঞ্জাউ পায়বা, নুংঙাই য়াইফবশিংনা হেন্না হেন্না অতোংবা, অহেনবতা তানশিন্নবা, পাম্বে লৈজদ্রবা অশোন অনা, লায়রবা মীওইশিংদা নুংশিবা পুকচেল মরীক অমত্তসু উৎপীদবা মতৌদা থম্মোয় শোক্লা শৈথাবা শৈরেংনি। অসিগুম্বা ইচম চম্নদি উবা, ফাগীসু পুবা শৈরেং কয়ানা ওজা ইবুংঙোগী শক্তম্বু হেন্না ময়েক শেংহল্লিবনি।

অদুবু মতম্বু কনানসু থিংবা ঙমদে- কপ্না-কপ্না, নোক্লা-নোক্লা মাগী মতুংদি অদুম ইল্লি ঐখোয়। নুংশিজবা ওজাগী মপোক কুমওন কয়া য়াওখ্রে। ওজানা কোয়চেন চেন্দুনা অমনবা শৈরেং লাইরিক পুরক্তুনা অসি পাউ, অসি থীয়ু পীবিখিবা, নোক্লা নোক্লা চা থকমিন্নবা, ওজানা পাম্বোম থাঙ্গৎতুনা মায় ৱাংনা হাইগৎলগা পুকচেল পুমতিং হেক তিংনা থৱায় তানা নোকখিবা পূম্বা করম্নবু কাউগনি।

অরোইবা ওজাগী মপোক কুমওন 'কুমজা ২০১৫ জুলাই তাং ২০' নুমিৎতু নহানমখৈদি ময়েক শেংলমদে- কুইর-কুইরগা হেন্না ময়েক লানা নীংশিংবা হেল্লক্কদবা মাল্লি তুংগী পুন্সিদা। মতমদু ঙসি-ঙসিগী তৌরিবা অসুম্না লৈবাক ঈরাং কন্না হৌরিঙৈ মতমনি নোংমাইথেম ওজা ইবুংঙো তোম্বীনা টেলিফোন্দা কৌরকই - 'থুনা লাকলো ওজাগী মপোক নুমিৎনি কাউরব্রা' হায়না। য়াম্না থুনা ইপুরোইবগা ঐগা ফি হোংদুনা চৎলি। এলাংবম লৈকায়দা মৈরা পায়বী ময়াম ধারনা ফম্লম্মী। মখোয়গী মপাদা গাড়ী খাম্মী, করিগীনো হংলুবদা 'মখোয়গী ফল্লিবা মপাদু খোঙনা চৎলগা লান্থোক্কদবনি' হায়রকই - শাউনীংবনা তিং হেক লাউই- মখোয়গী মপাদু ঈশিংসু থুম্মী। উপায় লৈতবনিনা শাউনীং-শাউনীং লাকখি। ঐখোয়নিনা হেক য়ৌবদা ওজা তোম্বী, য়ূমলেম্বম ইবোমচা, আর কে ভুবোনম্না মখোয় অহুম লৈবিরম্মী- ওজাখোই খুরুম্লগা ফম্মীন্নে। নুমিৎতু ঐনা অসুম নীংশিংজবদা ওজা ইবুংঙো মমাঙগী মপোক কুমওন্দা ওইখিবা পূক্লিংগী মওংগা ইমান মান্নদনা উজে - শম্না হায়রবদা মকা লাম্বা মায়থোঙ হায়বদুমক ওইখিদবগী ৱানি। ৱারী-ৱাতায় তৌদুনা ফোটো নমদুনা নোকমিন্নে, চাবা য়াবা চাদুনা চানচিংবসু থকপা লোইরে। ওজাগী ইমুং-মনুংগী ইচিল-ইনাও পূন্না-পূন্না ফোটোসু লৌমিন্নে। নুমিৎ অদুনা অরোইবা ওজাগী মপোক কুমওন হায়বদু ওইখি। অদুগা অমুকসু নুমিৎ অদুদা ওজাগী অমুক্তা মমাঙদা উখিদ্রিবা 'পীশুম শুকপা' উবা ফংজখি। য়াম্না পূক্লিং খোয়রাঙবগী মতৌসু উখি। অঙাংনা বার্থদেগী কেক কক্লগে, কক্লগে হায়বগুম ওজাসু নুমিৎতো কেক কক্লগে তোয়না হায়খি। ঙাইহাক্তং ঙায়খিসি হায়না লাক্কদবা ৱাৎপগী ৱা হায়বদু ওজানা খজিক য়ানীংদবা উৎখি। অদুবু মমৈদা ঐখোয় ময়াম ৱা-ৱা নোকমিন্নদুনা বার্থ দে পাঙথোকখি।

অরোইবদা, তোল্লবা ঐহাক্লা ওজাদা শ্রদ্ধাঞ্জল্লি কৎচরি, অরোইবা পাউমেনসু থমজরি। ওজা! খঙদবা কনানা কবিতাগী নুংদা লোৎলিবা থৌরবা মচীল তুল্লবা তাশোন্দগী হেন্না কল্লবা শক্তিবু খঙনদে- অথোৎপা মপালগী কুয়োমদুতবু উনবনা নুংগী ওইবদু খঙনদবনি। 'বন্দে মাতরম' ৱাহৈ অনীখকসিদা করি-করি খূৎলায় য়াওরি করিসু খল্লুবা লৈতে। ইচম চম্বা ঈশৈ অমনি খন্নে। মপানথোংগী ওইবা অকনবা অর্থ কয়ানা চমকী থাম্লগা ফোঙদোকপতনা অকনবা ৱাহৈ ফোঙদোকই খন্নে, খন্থবা তৌনদে। অদুনা নাকল অমরোমদা ওজাবু অকনবা এক্তিভিষ্ট অমাওইবগী গুন য়াওরি কনানসু খন্নরুদে। ওজাদি কনবদগী কল্লবা, থোৎপদগীসু থোৎলবা পূম্নমক্কী হৌরকফম গুন মপূং ফানা য়াওরিবনি। অমুকসু অধ্যাত্মিক্কী গ্যানসু য়াওরিবনি। সংসারগী ওইবা মতৌদগী থাপ্পা লৈবা ঙম্বা মীশক্লি। তাৎ-পাৎ, তৌশিন্নবা লৈসি-লৈথোন ওজাদা চঙদে। অদুনা মহাপুরুষশিংনা হায়নবগী মতুং ইন্না ওজাদি সংসার অসিগী ৱাংমদগী ৱাংমদা কন্সস মাইনগী ৱাংমদা লানখৎখ্রবনি, অমুক হন্না তাইবং মীরমলেন্দা লাক্লরোই থাজজৈ। ওজাগী শৈরেংশিংনা ওজাগী মশক তাক্লি। *'মমাঙ লৈকায় থম্বাল শাৎলে', কোনুং কাং তুবদা, লৈ-লাংবা, 'ইম্ফালদা মালেমগী অরোইবা নুমিত্তা', 'মৈরা পরেং'* নচিংবা খরসিদং নৈননবদা সমরেন্দ্রগী অৱাংবা ৱাখল পূম্বা খরদংসু ফংবা ঙমগনি হায়জনীংই। ওজাদি অরংবা থৱান ময়ামদা ময়েক শেংনা লংলবা মঙাল পী'ঙম্বা নুমিৎকুম্বমক্লি থমজবগা লোয়ননা ওজাগী শেংলবা আত্মানা শকউদ্রবা অচুম-অরানগী চূপলি পায়বীরিবা মহাক্কী খূয়াদা তিনবীদুনা মঙাল ওইনা শন্দোক্তুনা লৈবিবা মপু মহাক্লা পীনবিসনু।

# চাওখৎপগী লমজেলদা ওন্ন-তৈনবা

**এম থম্বৌ সিংহ**

**লৈবাক** অমগী চাওখৎপা হায়বা অসি অহোংবা কয়া অমা পুরকপা অমদি অওনবা কয়া অমা লাকপা অদুবুনি। মসিদা অরুবা ওইরিবা ৱাফমদি অফবা মায়কৈদা ওনবদি মালেমগী চাওখৎলিবা লৈবাক অতৈগী তুং ইনবা ঙমগনি অদুগা ফত্তবা অওনবা কয়া অসিদি লৈবাক অতৈগী মমাঙদা নোংম-নাংমগী লৈখা তাদুনা পূম্নমক অমাঙবা ওইগনি। খুদম অমা পল্লবদা ঙসিগী কম্প্যুটরগী মতম অসিদা ওল্লক্লিবা অসি হৌজিক লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিং চহী ১০ গী অঙাংদগী চহী ৭০-৮০ শুবা ফাওবা মোবাইল ফোন পায়দবা মীওই অমফাওবা য়াওদে। অঙাংশিংনা মোবাইলগী টেক্নোলোজি ময়াম অমা ভিডিও গেম্নচিংবা মখল কয়াগী কম্প্যুটর মেথোদ কয়া নৌরিবা অঙাংশিংদা নিংথিনা খঙলে, মসিনা অঙাংশিংদা কম্প্যুটরগী নোলেজ কয়া খঙদুনা য়াম্না থুনা চাওখৎপগী মঙাল ফংগনি অদুগা মোবাইল ফোনগী ভিডিও ক্লিপ মখল মখা কয়াগী ফি থোংদবা, মথোং হুক্তবা কয়া অমনা খুন্নাই অসিদা তমথিরবা মহীক অমা ওইনা মোবাইল অমদগী মোবাইল অমদা অদুদসু নৎত্রি মৌ নহা, লৈশাবী মচাশিং কয়ানা অদুগুম্বা ক্লিপশিং অদুদগী মখোয়গী মোরেল মাঙশিল্লকপা অমসুং মপুরোইবা লৈনা লৈনা অতোপ্পা নুপাদা চেনবগী পাউ অমদি ৱাথোক কয়ানা থনবা খুন্নাই অমা ওইরকপা অসি অওনবা চাওখৎপা পুরকপগী খুদম ওইব্রা? অমরোমদা ফি থুংদবা মনুংগী হকচাংগী শরুক অয়াম্বা উহননবা হোৎনবগী চৎনবী অমা লৈবাক অসিদা ঙসি ঙসিমক ঐখোয়না কুম্ভে ফিয়োং কয়াদা উরি। মসিনা নুপা নুপীগী ৱাথোক কয়া তোয়না লাকই। মসিবু চাওখৎপা পুরকপদা তৈন ওন্নদব্রা? নোংচুপকী চৎনবীদি ঐখোয়গী লৈবাক্তা চানদে। ফি খরা কোম্বা নুপী উরবসু মখোয়দি করিসু খন্দবা ঙমই। অদুবু ঐখোয়গী লৈবাক্তা মদুগী মতৌ তম্বদি হান্নদগী ইকায়না হঙ্গৈইনা অমসুং য়াম্না মমল লৈনা লোত্তুনা থম্নবা ওইবনা মদুগী ফি থুংদবা হকচাংগী কয়াৎ উরবদি মদুনা অফবা অওনবগী মতৌ তম্বা ওইবদি ঐখোয়গী লৈবাক্লা চানদে। ক্রাইম কয়া থোকহনবদা মসিনা অচৌবা মরম ওই।

চাওখৎপা খুন্নাইগী মঙ মঙবা মতমদা ঐখোয়না ঐখোয়গী চৎনবী নাৎপু ইকায় খুম্নবা অদুগা ফিজেৎ চাকচাদা মীরমগী মতৌদি তমদবা অদুগা থবক শুবা চৎপা অমসুং নোম্বগী হৈনবী ঙাকপা মরম অসি লৈবগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তা ওইবগী ৱাখল থমদুনা চাওখৎপগী অওনবা লাক্লবা হোৎনগদবনি মদুদি নৎতনা ফি মতৎ শেৎ চাবগী মতৌ তম্বদি চাওখৎপগী খুদমনি লৌবা য়ারোই। খুদম অমদা ঐখোয় ঐখোয়গী থাক ইশা ইশানা মুন্না খঙগদবনি অদুগা লাইনীংগী মায়কৈদদি ইশাগী অপাম্বা ওইবদা অকায়বা লৈতে অদুবু সংসারগী মীপুম খুদিংবু নুংশিবা লাইনীংনা খ্বাইদগী মরু ওই। মসি স্বাম্মী বিবেকানন্দনা হায়রল্লবা ৱাঙাঙনি। ঐগী লাইনীংদি হিন্দু নত্তে, মুসলিম নত্তে, খৃষ্টান নত্তে মালেম অপূম্বা মীওইগী মীনুংশি অদুনি ঐগী লাইনীং অসিনা মীপুম খুদিংগী হকচাংগী ঈ অসি চপ মাননা ঙাঙই হায়বা তাকই। লৈবাক অমা চাওখৎনবা হোৎনবা হায়বসি অপূনবগী শক্তম ফজনা চঙই, পুন্না থবক শুমিন্নবা ৱাখল্লোনসু চঙই। এম কে গান্ধীনা কো-ওপরেটিভকী ঈহৌ হৌদোক্তুনা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা ইন্দিয়াবু ঈহৌ অসিনা চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইনরি। চাওখৎপা হায়বসি ফিজেৎ চাকচা হোংদোকপনা চাওখৎপা য়ারোই, ইশা ইশাগী ওইবা থাক্কী থবক খুদিং মতম মাঙহনবা তৌদনা হোৎনবা কনবা অদুগা নিশা-পশা চাদবা, চাকচা য়ুথক চুম্বা, মীগী মতৌ অফবা শরুক্তমক তম্বা, ফৎতবা চৎনবী থাদোকপা ময়াম অসিনা পুরকপা অওনবদি খুন্নাই অসিদা অমৃত ওইবা মশক ওইগনি। অদুনা ঐখোয়না শুবা নোম্বা কন্দনা মোবাইল ক্লিপকী অমদি ফিজেৎ চাকচাদা মতৌ তম্বনা চাওখৎপা পুরক্কনি খনবদি অরানবা ৱাখলনি। মতাং অসিদা লৈবাক্কী থৌশিল য়াম্না চাওনা চঙই। লৈঙাক মপুনা পুকচেল শেংনা অমসুং চৎন-কাংলোন চুম্না মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌবীবা অদুগা লোয়ননা মীয়ামদা কান্নবা ফংগদবা লমদম অমসুং মীয়ামগী চানবা থবক কয়া মরম চানা পায়খৎপা মতমদা হায়বদি লৌউবনা ঙম্না লৈবা মফমদা গ্রিন রিভোলুসন সিষ্টেম থম্বীবা অদুগা লৈতবা মতমদনা ইন্দষ্ট্রি থম্বা য়াবা মফমদা থম্বীবা, অরেম্বা মী লৈহন্দনবা হোৎনবা, দ্রগ করবারশিংবু কনখৎতবা, মীচং শঙ্গ চঙদবা, মীয়ামগী খন্দুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌবীবা অদু ওইরবদি অওনবা পুরকপদা খুমাং চাওশিনগনি।

অমরোমদা মীয়াম্নসু লৈঙাকপু ইকায় খুম্ননা মতেং পাঙবা, হীরম খুদিং ৱাথোক লান্থোক লৈতনবা হোৎনবা অসিসু য়াম্ন মক মরু ওই হায়না লৌই। ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয়না য়েংবা য়াবা ময়াম অমা লৈরে। লৈঙাক মপুনা শোয়বা থবক থৌরম কয়া মীয়াম্না অমদি অতোপ্পা তোঙানবা রাজনিতি দলশিংনা মেদিয়াগী খুত্থাংদা অতোপ অতোপ্পা সজেসন কয়া পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনদুনা অরানবা কয়া চুমথোক চুমশিন, শেমদোক শেমজিন তৌবদা লৈবাক্কী ফরোইদবগী মরম শুকলৈ লৈতে। মীনা তৌবা থবক অফবা নত্তে, ঐনা তৌরগনা অফবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি থাদোকপা ফৈ হায়না খল্লি। মপী মপানসু মখোয়গী মথক্তা তৌরকপা কমপ্লেন খুদিং অচুম-অরান থিদোক্তুনা মীয়ামগী ওইগদবা থবক খুদিং তৌফম থোকই। খুদম অমা পল্লবদা টেম্পররি মার্কেটকী মতাংদা লৈবাক ৱাথোক ওইরগা য়ানবা পুরকপা অমসুং অফস্পাগী মতাংদসু মণিপুরগী মীয়ামদা থাজবা থম্বীদুনা ঐখোয়বু শৌগৎলবদি নোংঙানবগা অফস্পা লৌথোক্কে হায়বা ৱাফম মনিন নাইননবা ঙাঙবা ৱাঙাঙনি মদুগী মহুৎ তাথোক তাশিন তৌদুনা অফস্পা লৌথোক্লবা হোৎনবা অকায়বা লৈরোই অদুদি নৎতনা মপু ওইনিংবগী ময়ায়না ঙাওদুনা লৈতোন শরু পান্দে মতাগুম ঙাঙবা অসিদি চাওখৎপা পুরকপা ঙমলোই মনিং হনগনি মরমদি জুন ১৮ গী থৌদোক নীংশিংবা চুমগনি অদুগা অমুক লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাংগী পীথরকপা শেনফম পার্সেন্টেজদা অয়াম্বা মনিংথোংদা হোন্দোক্তুনা লৈখ্রে। মসিদা লৈবাক্কী চাওখৎপা করম্না পুরকপা ঙমগনি। অদুগী মহুৎ থবক তৌরিবশিংদা নিয়ম চুম্না অমদি মগুন য়াওনা তৌবীনবা প্রেসর কয়া পীরবদি অফবা ওইগনি খল্লি।

মীখল হায়বা অসি প্রজা মীয়ামগী হকনি মখোয়গী মখূৎতা লোইনা লৈ। থবক তৌবদা পুকচেল শেংনা ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা মীওইবু লৈবাক মপু ওইহন্দুনা মীয়ামগী সেবা তৌহনবগী হক অদু ঐখোয়দা পীরিবনি। মীয়াম্নসু ৱাখল মুন্না খন্দুনা লৈবাক্কী খন্দুনা লৈবাক চাওখৎনবা ৱাখল খল্লগা মীহুৎ খনবগী হৈনবী থমগদবনি। মীখলবু শেন্দাল লম্বী ওইনা খন্দুনা পৈশা খরা পায়রগা মীয়ামগী সেবা করম্না তৌগনি খঙদবা, মীখল হেক্তা থেংনগনি খনবা, মীখলবু শেল তানফম ওইনা উবা মীওইনা মীখল থোক্লকপদা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা শৌগৎলোইদবনি।

অমরোমদা মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুদাবা ষ্টেটনি। মসিদা চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনসু ৱাখল লৈতানা খনবীদুনা মীতোপ্না শিংচেপ থাজিনবা য়াদনবা ঐখোয় ইমা অমত্তগী মচাগুম লাইনীং, লাইশোন-তিনশোল তোঙাল্লবসু লৈবাক কায়নবা কাংখোং চাইনবা থবক তৌবীরোইদবনি। অদু নৎত্রবদি য়ূমথংনবদা লৈরিবা ষ্টেট অতৈনা মণিপুরবু মচেৎ তানবা ৱাফম কয়া হায়রক্লিবা অসিদা ঐখোয়না লৌরোইদবনি।

অমরোমদা ষ্টেট অমগী নুংগী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা অতোপ্পা ষ্টেটকী মীনা লৈবাক কায়গদবা ৱা ময়াম অমা ঙাঙবসি অরানবনি। মসিদি মী উশিৎতবগী ৱাঙাঙনি। খুদম ওইনা নাগালেন্দগী সি এমনা মাগী ষ্টেটকী ৱাফমদা মণিপুরগী সি এমনা খূৎ থিংজিন্দুনা মানা ঙাঙবগুম ঙাঙলবদি মহাক নুঙাইফম থোকপ্রা? মসি খঙনা ৱা ঙাঙবা ফৈ। অদুগা ঐখোয়গী লৈবাক মীয়াম্নসু করিগুম্বা চাওখৎ থৌরম অমা পায়খৎপা মতমদা অয়েৎপা হেক হেক পী, মসিসু খরা খন্থবা চুমগনি খল্লি। মণিপুর প্রোব্লেম্না থনবা লৈবাক অমা ওইরিবসি ওইহন্দনবা মীয়াম অমদি লৈঙাক মপু অনীমক ভাব তামিন্নবা চঙই। করিগুম্বা আইনগী ওইবা থোঙদা ঈংনা তপ্না ঙাঙনবা য়াবা খুদিং বন্দ নৎত্রগা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌদুনা লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা ওইহল্লি অমসুং মসিনা চাওখৎপগী লম্বী মাঙহল্লি।

অমরোমদা আইন পায়বা কাঙবুনা মীচম মীয়ামগী খন্দুনা কেস অমা নৎত্রগা ক্রাইম অমা লাকপা মতমদা মীচং শঙ্গ নাইদনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা মতম চানা অচুম্বা ৱায়েল তৌরবদি লৈবাক ঈরাং নেমগনি অমসুং শান্তি লৈনা চাওখৎপা লম্বীদা লাকপা ঙমগনি। অদুদি নৎতনা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা অচুম্বা কয়া উপুদা কোকফাই শুজা কাবমখৈ থম্বা তারবদি মীয়ামগী থাজবা মাঙলকপা মশানা তাবনি। অদুনা মীয়ামগী মোব জষ্টিশ লৌরকপা মশানা তাবনি। মসি পূম্নমক থাজবা ৱাৎপদগী ওইরকপা ঙাক্তনি। অদুনা লৈবাক অমা চাওখৎপা অসি মীয়াম ভাব তাবা অদুগা ভাব তাবা হায়বসিদা মীপুম তিংনা লৌশিংগী মঙান চঙই। মসি মীশিংদুগী মহৈ মশীননা লেপকনি। অদুনা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মেগী তাং ৮ দা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌদুনা এদেদ কোলেজগী ৱাফম ফজবা ময়াম থম্বীবা এদিসনেল পোষ্ট কয়া অমা পীবগী ৱাফম থম্বীখ্রে। মসি শোয়দনা থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়না খল্লি। মসিদা লুরিবদি কোলেজদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অসি হায় স্কুলদগী লাকপনি, হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিং প্রাইমারিদগী লাকপনি। অদুনা মখাগী লৈরিবা এদেদ স্কুল ৬০৫ গী মহৈরোয় ময়াম অসিগী করিসু খন্দনা মতোনগী মহৈ তম্ফমখক ফনবা হোৎনবা হায়বা অসি মপি লাইরিক তমদনা বি এদগী হৌরগা মহৈ তম্বা য়ারোই, বি এ তমদনা এম এ করম তমগনি।

পূম্নমক অসি য়েংদুনা মখোংদগী হৌবীদুনা মণিপুরগী কোলেজ অমদি হায়র সেকেন্দরি কয়াগী মহৈরোয় পুথোক্লিবা এদেদ স্কুলশিংবু মীরাইবা তৌবিগনু। মখোয়গীসু চাকথুং ফংহন্দুনা মান্নবা মিৎয়েং থম্বীয়ু হায়জরি। অদুগা স্কুল খরা মহৈরোয় লৈতবা উরগা পূম্নমক মহৈরোয় লৈতে হায়বা ৱাফম অরানবা ওইগনি খল্লি। ফিল্ডদা চৎপীদুনা মরম চাবা মিৎয়েং চঙহন্নিংই। অসুম্না নিয়ম চুম্না থবক তৌবিদুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌরবদি মীয়ামগী চাওখৎপা অমসুং মালেমগী হিদান্নবদা ঐখোয়সু য়াওবা ঙমগনি খল্লি। অদুনা চাওখৎপা লমদম অমগীদমক এদ্যুকেসন্দা অকনবা মিৎয়েং চঙবীদুনা অফবা খুন্নাই অমগীদমক মরাইবক থিরবা এদেদ ইন্সটিট্যুটশিংবুসু অকনবা মিৎয়েং থম্বীয়ু।

# ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা

**— ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা —**

**ইন্দিয়া** লৈঙাক্লা হন্দক ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা অকনবা মিৎয়েং থম্বগুম তৌরক্লি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং অমগুম খা নোংপোক এসিয়াগী লমদমশিংগা মরী হেনগৎহন্ননবা থৌরাং কয়া পায়খৎনবা হোৎনবা হৌরক্লি। থৌরম অসিগীদমক্তা ইন্দিয়া অমসুং ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং ফাওনা নোংপোক্তা লৈবা লৈবাকশিংগা লম্বী ফাওনদুনা য়াম্না নুংঙাইনা চৎথোক চৎশিন তৌনদুনা লল্লোন ইতিক তৌননবগী থৌরাং শেম শারক্লি। থৌরাং অসিদা চকা মরিগী গাড়ীশিংগী লম্বী অমদি রেল লম্বী কন্না শেমগৎতুনা শিলচর য়ৌখ্রে। মথংদা ইম্ফাল তল্লক্কনি। ম্যান্মার মনুংদা ফাওবা লম্বী শেম্বতা নত্তনা মৈ পীবা ফাওবা হৌখ্রে। এসিয়াগী মফম কয়া য়ৌননবা লম্বী শেমগৎপদা মণিপুর ফাওদুনা শোয়দনা চৎলগদৌরি।


মীরৈবাক্কী মীয়াম কয়ানা চৎথোক চৎশিন তৌনবা অমদি ললোন ইতিক্কী থৌরাংদা মণিপুরদা ষ্টেসন অমা ওইগদবা মরম্না মণিপুরগী শেন্থোক লম্বীদা খরদি কান্নগদবা ওইরকপদি শোয়দ্রে। অদুমকপু মণিপুরগী মহৌশাগী পোৎথোক অমদি মথৌ তাবা চেকশিনগদবা কয়ামুক্তি লৈরক্কনি। অদুগা খূৎশা হৈবগী নুপাগী-নুপীগী ওইবা শিনফমসি মালেমগী ওইনা মীওই কয়ানা পাম্নরবা পোৎথোক কয়াগীদি ফজরবা কৈথেল অমদি ওইরগনি। মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্তুনা মণিপুরগী মহৌশাগী শক্তমদা অওনবা অমদি শোয়দনা ওইরকপা তাবনি। মতৌ অসিদা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী মওং হায়বদি ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম লৈহন্দনা মীতোপশিং মনিংতম্না পংচংদা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবগী ফীভম অসি অসুম চত্থরক্লবদি মতম অমদা নৎত্রগা মতম খরগী মতুংদা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মীওইশিং অসি শোয়দনা মাইনোরিটি তারকপা য়াবগী ফীভম ওইরি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী মহৌশাদগী মৈহৌরোলদগী তারক্লিবা চীংমীশিংগী মীশিংদগী মীতোপ মীয়ানগী মশীংনা হেনখ্রে হায়নরি।

খ্বাইদগী হেন্না মশীং য়াম্লি হায়রিবা মৈতৈশিংগী মশীংদগী মীতোপ মীয়ানচাশিংনা তঙ্খাই য়ৌরক্কদবগী ফীভম ফাওবা লাক্কদৌরি। ফীভম অসিদা এসিয়াগী লম্বী অমদি ষ্টেসন অমা ওইরকপদা মণিপুর করি ওইবা তাবগে হায়বসি চিংননীংঙাইগী ৱাফমখক নত্তনা মণিপুরগী মৈহৌরোলদগী লৈরল্লবা ফুরুপনা মাইনোরিটি তারকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরি। মরম অসিদগী হদক্কী ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম দিমান্দ কম্মিটিনা চোঙথোরক্তুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা নহা অহল খাক্তনা চঙশিল্লক্লিবা অকনবা ঈহৌ অসি তঙাইফদবগীনি। মরমদি মীতোপ কয়া চঙশিল্লক্লবদা পার্মিট পীদনা মতম খরা লৈহল্লবসু খুন্দা লৈতানদি লৈহল্লোইদবনি অমদি রাজনিতিগী ওইবা ভোটিং রাইট ফংহন্দনবা তৌগদবনি। মদু তৌহৌদ্রবদি রাজনিতিগী মকোক থোংবা ওইরকপসু য়ারক্কদৌরিবনি। মরম অসিদগী ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমবু মীয়াম্না শৌগৎনরক্লিবনি অমদি মখা তানা শৌগৎপীগদবনি। মখোয়গী দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংনা মায় পাক্লনবা শিনবদা মীওই কয়ানা অরানবা থৌদৌ তৌবসিদি তৌহন্নিংদে, তৌদনবসু ইশা ইশানা ৱাখল তাবিয়ু। প্রেস মেদিয়া, লাইনীং-লাইশোন, লুহোংবা অমদি অঙাং ওইরিবা তুংগী ফুরুপকী মকোক থোংবা ওইরক্কদৌরিবা করিসু খঙজদ্রিবা মহৈরোইশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবদুদি শীজিন্নবিদবা ফৈ। মখোয় মপূক্লিং চঙনা অদুমক লাইরিক তমহনবদি অফবনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী নোংপোকলোমদা য়েংলক্লিবা শাল্লবা মিৎয়েং অসিদা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরল্লবা ফূরুপ পূম্নমক্কী মাগী মাগী শক্তম ঙাক্লবগী পাম্বে অমদি লম্বী লৈঙাক্লা খঙনা শিনফম থোকপনি। মদু নৎত্রবদি য়েলহৌঙৈগী মীয়ামগী পুন্সি কায়থরক্তুনা, পীকশিল্লক্তুনা মণিপুরগী মহৌশাগী ফুরুপ কয়া মশীং য়ামদবা ফুরুপশিং ওইরক্কনি।

অরোইবদা অৱাং নোংপোকলোমদা ইন্দিয়ানা য়েংলকপদা ফংগদবা খুদোংচাবা কয়া মণিপুরগী মরী লৈনবা লূপ কয়ানা মাঙজৌননা ফংহৌনবা/লৌহৌনবা থৌরাং লৈঙাক্লা পায়খৎতুনা মীয়ামদা এৱ্যের্নেসনচিংবা পীবগা লোয়ননা মণিপুরগী কান্নগদবা পোলিসি মাঙজৌননা য়াৎপীহৌগদবনি। মতাং অসিদা থৌরি চিংনরিবা মীওই ঐখোয় মশেল অসি করম্না অমতা ওইনা পুনশিনহনগদগে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্লা ঙমদ্রবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা মতেং নীদুনা মণিপুরবু ঈংনা তপ্না মহৌশাগুম মচিন-মনাও ওইনা অমত্তা ওইনা পূনশিনবা য়াগদ্রা হায়বসু য়েংবিয়ু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১। কবি চাউবনা শৈরেং ঙাক্তগী লাইরিক অমখক্তং ইরম্মী। মমিং করি কৌই?
২। 'রোহিনী' উপন্যাস কনানা ইবনো?
৩। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ৱারেংগী লাইরিক অমখক ইরম্মী। মমিং করি কৌই?
৪। 'কপালকুণ্ডলা' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।